# নুপীমচা অমা ফম্লাল্লুই হায়বা ই সি জি টেক্নিসিয়ান থবক্তগী থদৎলেঃ এম এস

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৩(এস এন এস)ঃ লায়েংনবগীদমক পুখৎলকখিবী চহি ১২ রোমদা ঙাইরিবী নুপীমচা অমবু ফম্লাল্লুই হায়বগী মরালদা পুলিসনা ফাখ্রবা রিমস হোস্পিটালগী ইলেক্ট্রোকার্দিয়োগ্রাম (ই সি জি)গী টেক্নিসিয়ান থোকচোম সুরজ (৩৬) অপোকপা কুল্লা থবক্তগী থদৎলে হায়না হোস্পিটাল অসিগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন প্রোফেসার সিঐচ অরুননা ফোঙদোকখ্রে।

হিরমসিগী মতাংদা ঙসি রিমস হোস্পিটালদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা প্রোফেসার সি ঐচ অরুননা হায়খিবদা, নুপীমচা অমগী মমা মপানা কমপ্লেন্ট তৌরকপদগী থিগৎপদা নুপীমচা অমবু ই সি জি লৌবদা ঙসি নোংঙাল্লমদাইদা দিয়ুটি তাখিবা থোকচোম সুরজনা মেদিকেল ইথিক্সকী ৱাংমদা থবক চখ্খ্রে হায়বা খঙবা ঙম্লে। থৌওং অসি য়াম্না হকচিন্না লৌই। মরম অদুনা মহাক্কী মথক্তা এক্সন লৌদবা য়াদবদগী খুদক্তা দাইরেক্তর দা এপ্লিকেসন অমা পিশিনবদগী দাইরেক্তরনা থোকচোম সুরজবু খুদক্তা তর্মিনেট (থবক থদৎলে) তৌরে।

মহাক্না হায়, সুরজনা চখ্রল্লিবা থবক অদুনা পুলিসকী মাইকৈদগীসু এক্সন লৌখৎপা ওইনা মহাক্কী মথক্তা এফ আই আর অমা লৌখৎত্তুনা মহাকপু ফারে। ফোরেন্সিক এক্সপার্টশিংনসু মেদিকেল একজামিনেসন তৌখ্রে। লোনা লৌখৎলকপা অচুম্বগী মায়কৈদা রিমস হোস্পিটালনা লেপকনি।

অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি থোক্তনবা হোস্পিটাল অসিগী ওইনা লৈরিবা ই সি জি টেক্নিসিয়ানশিংদা অকনবা ইনষ্ট্রক্সনশিং মমাঙদগী পীদুনা লৈরিবনি। অদুবু ইনষ্ট্রক্সন অদুগী ৱাংমদা মহাক্না অসিগুম্বা থবক চখ্রম্বসি লাইবক থিবনি। অসিগুম্বা থৌদোক অসি অমুক হন্না থোক্তনবা হোস্পিটাল অসিদা লৈরিবা লেব টেক্নিসিয়ানশিংদগী হৌরগা নুপা ডোক্তর পূন্নমক্কী ওইবা অখন্নবা ক্লাস অমদি লেকচর অমা পাঙথোক্লবা চপ চানা লেপ্লে অমদি নুপী পেসেন্ট লায়েংবা মতমদসু ইমানি, ইচেনি, ইচলনি হায়না খনবগা লোয়ননা নুপী নর্স নৎত্রগা নুপী এতেন্দেন্ট অমমম য়াওহনবিয়ু হায়না অপিল তৌখি।

অমরোমদা, লায়েংনবগীদমক পুখৎলকখিবী চহি ১২ রোমদা ঙাইরিবী মহৈরোই নুপীমচা অমবু ফম্লাল্লুই হায়বগী মরালদা পুলিসনা ফাখ্রবা রিমস হোস্পিটালগী ইলেক্ট্রোকার্দিয়োগ্রাম (ই সি জি)গী টেক্নিসিয়ান থোকচোম সুরজ (৩৬) অপোকপা কুল্লাগী মথক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎলু হায়বা ৱাফম কং লৈপাক ষ্টুদেন্ট এসোসিয়েসন (কে এস এ)গী মায়কৈদগী থল্লক্লি।

হিরমসিগী মতাংদা ঙসি রিমস হোস্পিটালদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা কে এস এগী য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস সেক্রেটরী খুলাকপম সনজয়না হায়খিবদা, পিক্লিবা মহৈরোই নুপীমচা অমদা নত্তবা লিচৎ চখবীখিবসি য়াম্না লাইবক থিবনি। অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি মণিপুরদা অহানবা নত্তে।

ঙসি রিমসতা থোক্লিবা থৌদোক অসিগী মতাংদা মহৈরোই নুপীমচা অসিগী ইমুং মনুংনা হোস্পিটাল অসিগী ওথোরিটিদা চে ইদুনা কমপ্লেন্ট তৌরবসু থেংলবা ফাওবদা এক্সন অমত্তা লৌখৎলমদনা লৈরম্বা অসি পেন্দে। কমপ্লেন্ট তৌরুবা মতমদা অঙাং অসি মতোমদা চংহল্লিবসি করিগীনো হায়না হোস্পিটাল অসিগী ডোক্তরশিংনা হংলকপা অসিনা ঙসি অসিগুম্বা থৌদোক অসি মমাঙদসু থোক্লম্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। নমশিল্লগা থমখিবরা হায়বসি চিংনদবা ঙমদে। মরম অদুনা অসিগুম্বা য়াম্না লাইবক থিবা থৌদোক অসি মতুংদা অমুক হন্না থোক্তনবা চেন্নরিবা নুপা অসিগী মথক্তা লোগী ওইবা অকনবা এক্সন লৌখত্তুনা মপুন্সি চুপ্পা দন্দি পিবা নৎত্রগা শিবগী চৈরাক পীয়ু হায়না মহাক্না মখা তানা হায়খি।

# প্রি মর্জর পোলিটিকেল ষ্টেটস তানগনিঃ এম পি পি

ইম্ফাল,ওক্টোবর ৩ (এসএন এস)ঃ লমদম অসিগী মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা সেন্তর লৈঙাক্না ৱারেপ লৌরক্লবদি এম পি পিনা প্রি মর্জর পোলিটিকেল ষ্টেটস তান্নবা শেম শাদুনা লৈ হায়না মণিপুর পীপলস পার্টিগী প্রসিদেন্ট ও জুগিন্দ্রোনা ফোঙদোকখ্রে।

এম পি পি ওফিসতা পাঙথেকপা পাউগী মীফম অমদা জুগিন্দ্রোনা মখা তানা হায়, মেনপেক অমসুং নেফিপনা শীন্দুনা সি এ বিলগী মায়োক্তা মহৈরোই লূপশিং য়াওশিন্দুনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসি এম পি পিনা হান্নদগী তান্দুনা লাক্লবনি।

সি এ বিলগী মতাংদা পি এমদা মেমোরেন্দম পীশিনখিবা লৈখ্রে। সি এ বিল অসি পার্লিয়ামেন্ট মীফম লোইখ্রবনিনা মদু চৎনবা য়াররোই হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা খঙহল্লকখিবা লৈখি।

হৌজিক চঙশিনলক্লিবা খোঙজং অসি লুম্না লৌদবা য়ারোই। মহৈরোই লূপশিং অমসুং সিভিল সোসাইতিনা হৌরকপা ইহৌ অসি ষ্টেট অমসুং সেন্ত্রেল লৈঙাক্না নাথৈদুনা থমফম থোক্তে।

মহাক্না হায়, মণিপুরদদি কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিনা মীয়াম্না হৌরিবা ইহৌ অসি নাথৈদুনা থল্লগা মখোয় মশেল হুন্নদুনা লৈরি। হন্দক্তা ফমখিবা এসেমব্লি মীফমগী মাঙওইননা চীফ মিনিষ্টরদা পোলিটিকেল পার্টি ৮গী অপুনবনা আই এল পিগী মতাংদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখি। অদুবু মদু নাথৈদুনা থল্লবা ৱাফম অদু হাউসতা পুথোকপীরকখিদে।

মসিমক মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌদে হায়বা তাকপনি। হৌজিক লমদম অসিদা য়েলহৌমী কন্নবগীদমক আই এল পি চৎনহন্নবা ৱাফম খন্নরিঙৈদা সি এ বিগী ৱাফম অসি চঙশিল্লক্লিবনি। মসি মীয়াম্না হকচিন্না লৌফম থোকই।

অমরোমদা হৌজিক ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী মতাংদা লাক্লিবা ইশু অসি হৌজিকসু মীয়াম চমন্নহনবগী ফিভমদা লৈরি। মসি মীয়ামদা খঙহনফম থোকই হায়খি। ইশু অসিদা ষ্টেট অমগী মনুংদা ষ্টেট অমা শেম্নগী ৱাফম এম পি পিনা য়াবা ঙম্লোই।

কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিনা ইশু অসিগী মতাংদা লমদম অসিগী মীয়াম্বু অপঙবা শিবগী মওংদা চঙশিন্দুনা লৈরি। নাগা পিছ তোক অসি পি ভি নরসিমহা রাওগী মতমদগী হৌরকখ্রবনি। লোয়ননা বি জে পি লৈঙাক্না মখা শমথখিবনি। মরম অসিনা ইশু অসিদা মখোয় চেন্নদে হায়বা য়ারোই হায়খি।

মরম অসিনা করিগুম্বা সেন্তরনা মণিপুর মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা থবক তৌরবদি এম পি পিনা প্রি মর্জর পোলিটিকেল ষ্টেটস তান্নবা শেম শাদুনা লৈ হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# মণিপুরদা রিক্টর স্কেল ৪.২ য়ৌবা য়ুহার হাখ্রে

ইম্ফাল,ওক্টোবর ০৩ (এস এন এস)ঃ মণিপুরদা ঙসি নুমিৎ য়ুংবদা কয়া কন্দবা য়ুহার হাক্রে। রিক্টর মেগনিচুদ স্কেলদা ৪.২ য়ৌখিবা য়ুহার অদু অয়ুক পুং ১১.৫৪ দা হাখিবনি। অদুগা মদুগী ইপিসেন্টরনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা ওইখি হায়না ইন্দিয়ান মেটোরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

য়ুহার হাবদুগী শাফু অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা ফংখি। ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, চুরচান্দপুর অমদি থৌবালদা লৈবা মীওইশিংনা নীকপা অদু ফাওখি। অদুবু উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতগী য়ুহার হাখি হায়বদু খঙদে হায়রি।

অদুবু য়ুহার হাবদুনা পুন্সি অমদি লন–থুম মাঙ–তাকপগী পাউদি ফংখিদে। মণিপুর অসি আর্থক্কেক প্রোন এরিয়াগী জোন ফাইভকী মনুং চনবনি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৬ গী জনুৱারী ৪ দা মণিপুরদা রিক্টর স্কেলদা ৬.৭ য়ৌখিবা য়ুহার হাখিবদা মীওই নিপান শিখিবতা নত্তনা য়ূম– কৈ কয়া তেকখিবনি। অদুগী মনুংদা ইমা কৈথেল অমসু শোকখিবনি।

# অৱাং নোংপোক্কী লালহৌবশিংনা শেল ওম্থোক ওনশিনগী নেটৱার্ক শেমগৎলম্লে

গুৱাহাটি,ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সি)ঃ ম্যান্মারদা মতম শাংনা চঙজফম লৌদুনা লৈবা অৱাং নোংপোককী লালহৌলূপশিংনা ইন্দিয়াগী লুপা অসি ম্যান্মারগী ভিয়াত্তা ওম্থোক্লবা নেটৱার্ক অমা শেমগৎলম্লে। মসিনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াদগী খোমগৎপা শেলশিং য়ূমথংনরিবা লৈবাক অসিদা ইরায় লায়না ওনবা ঙম্বনি হায়রি।

অৱাংবা থাক্কী সেক্যুরিটিগী লিখুন অমনা অসাম ট্রিবুনদা ফোঙদোকখি মদুদি হৌখিবা চহী কয়া অসি লালহৌলূপশিং অসিনা খোমগৎপা ইন্দিয়াগী শেলশিং অসি ওম্থোক ওনশিন তৌদনা মখোয়গী ম্যান্মারগী লুচিংবশিংদা থায়। লালহৌবশিংনা শেমগৎপা নেটৱার্ক অমগী খূখাংদা ইন্দিয়াগী শেলশিংদু ম্যান্মারগী শেলদা ইরায় লায়না ওম্থোকপা ঙম্মী।

মতম অমদদি লালহৌলূপশিংনা য়াম্লবা শেনফম খোমগৎলগা মখোয়গী ম্যান্মার, ভুতান অমদি বাংলাদেশতা লৈবা বেজশিংদা থারম্মী। অদুবু হৌজিক্তি ফীভম অসি শাথিনা হোংলে। মখোয়গী ভুতান অমদি বাংলাদেশতা লৈরম্বা বেজ থুগায়খ্রে অদুগা চহী অসিগী জনুৱারী ২৯ দগী ম্যান্মার আর্মিনা ওপরেসন চখরকপদগী ম্যান্মারদা লৈরম্বা মখোয়গী কেম্প অয়াম্বা মাঙখ্রে। হৌজিক লালহৌলূপশিং অসিগী ফন্দ লাকফম হম্বনবা মরম ওইদুনা লমদম অদুদা লৈরিবা লালহৌলূপ অয়াম্বা শেল–থুমগী অৱাবা মায়োক্লরে হায়না সেক্যুরিটিগী লিখুন অসিনা ফোঙদোক্লি।

লালহৌবশিংগী কেম্প অয়াম্বা ম্যান্মার আর্মিনা লৌশিনখ্রবা মতুংদা মখোয় অয়াম্বা ম্যান্মারগী নাগা খুলশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈনরি। অদুগা হন্দক্তা সরেন্দর তৌরকখিবা লালহৌবা অমগী কনফোসনেল ষ্টেটমেন্টতগী খঙবা ঙম্বদি মখোয় চান–থক্লবা ৱাংপগী অৱাবসু মায়োক্লরে হায়বসিনি। অদুগা হেন্না নুংশা থিনিংঙাই ওইরিবদি লালহৌবশিং অসিনা শেল–থুমগী অৱাবা লৈরকপদগী মখোয়গী খুৎলাইশিং ক্রিমিনেল ইলিমেন্টশিংদা য়োল্লকপা য়াবগী অকনবা ওইথোকপা লৈরকপা অসিনি। অসিগুম্বা থৌদোক কয়াসু লৈখ্রে। অদুগা কাজিরঙ্গ নেস্নেল পার্কতা লালহৌবশিংদগী লৈবা খুৎলাইনা শাদানবশিংনা শামুগন্দা হাৎপগী থৌদোকসু লৈখি হায়রি।

# লন্ধোনি ১সুং রোমিতাগী বেল হিয়ারিং ঙসি চখরগনি

ইম্ফাল,ওক্টোবর ০৩ (এসএন এস)ঃ ষ্টেন্দর্দ রোবার্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল ফৈরোইজম লন্ধোনি অমসুং মচানুপী কো–ওর্দিনেটর ফৈরোইজম রোমিতাগী বেল হিয়ারিং হয়েং সেসন জজ ইম্ফাল ৱেষ্টকী ৱায়েলশঙদা পাঙথোক্লগনি।

ফৈরোইজম লন্ধোনি অমসুং ফৈরোইজম রোমিতাগী বেল এপ্লিকেসন অদু মণিপুর হায় কোর্টকী জষ্টিস রামালিঙ্গম সুধাকরননা হায় কোর্টতগী ককথৎখিবগা লোয়ননা ইম্ফাল ৱেষ্ট সেসন কোর্টতা থারকখিবনি। অমসুং সেসন কোর্টনা মখা তানা ক্রাইম মিসচিনভরস বেলগী মখাদা কেস অদু রেজিষ্টার তৌখিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি, হায় কোর্টতা থারকখিবা বেল অদু সেসন কোর্টতা লোইশিনবা য়াবা কেস ওইবনা হায় কোর্টনা ককখিবগা লোয়ননা সেসন জর্জতা ট্রান্সফার তৌদুনা কেস অদু ওক্তোবর ৯ ফাওবগী মনুংদা লোইশিন্নবা ওর্দর থোকখিবনি।

ফৈরোইজম লন্ধোনি অমসুং ফৈরোইজম রোমিতা হৌখিবা জুলাই ১৮ দা ষ্টেন্দর্দ রোবার্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী হোষ্টেলদা মহৈরোই বেবিসনা শিরম্বগা মরী লৈননা হৌজিক জেলদা লৈরিবনি।

অমরোমদা, বেবিসনাগী মীশিংগা মরী লৈননা এস আই টি না পায়খৎলিবা অমদি জুদিসিয়েল কষ্টদিদা লৈরিবশিং অদুদি স্কুল অদুগী প্রিন্সিপাল ফৈরোইজম লন্ধোনি, কো–ওদিনেটর ফৈরোইজম রোমিতা, জুনিয়ার এদমিনিষ্ট্রেটর ফৈরোইজম রোবিনসন, ৱার্দেন এন জীন্তি অমসুং হেদ ৱার্দেন ইল্লেন কামৈনি।

# থিবা ফংদনা লৈরকখিবী নুপীমচা শিনা ফংলে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ৩০(এস এন এস)ঃ মমাঙ থা সেপ্তেম্বর ৩০গী নুংথিলদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনননা কোনবা অচানবীগৈ অৱাং লৈকাই মপাগী ইম্ফাল তুরেলদা তাশিনখিবদগী থিবা খঙদনা লৈরকখিবী খাবম মনিং লৈকাইদগী লৈখিদ্রবা ৱাইখোম বসন্তগী মচানুপী ৱাইখোম কমলা এলাইজ নানাওবী (১২)নি ঙসি অয়ুক পুং ৬.৩০ রোম তাবা মতমদা শিনা ফংলে।

নানাওবী অমদি মচিন মনাও থোকপা মখোয় ৭ রোমগা লোয়ননা তুরেল মপালদা শান্নদুনা লৈরিঙৈদা খঙহৌদনা তুরেলদা তাশিনখিবদগী ঈশিং ইরৈনা চেন্থখিবদগী থিবা ফংদনা লৈরকখিবনি। নুমীৎতুদগী হৌনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী টিম, ফয়ার ব্রিগেদকী টিমনা ক্লবকী রিপ্রজেন্টেটিভ অমদি খুনজাশিং য়াওনা নুপী মচা অসিবু থিবগী থবক চখরকপদা মহাক্না তাখিবা মফম অদুদগী কিলোমিটর অহুমরোম মখারোমদা চখরগা হৈঙাং অহল্লুপ থোংদগী মিটর ১০০ রোম লাপ্পা ইম্ফাল তুরেলদগী শিনা ফংখিবনি। মহাক্কী অশিবা হকচাং অদু ফোরেন্সিক সাইন্সকী টিম অমনা ইনক্বেষ্ট তৌরবা মতুং রিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেমগীদমক থমখ্রে হায়রি।

# ময়াই কাবা দ্রগতা লায়চুরবশিং লেন্না লায়েংগদৌরি

ইম্ফাল,ওক্টোবর ০৩ (এস এন এস)ঃ লমদম অসিদা ময়াই কাবা দ্রগতা লায়চুরবা কনা লৈজদ্রবশিং লেন্না লায়েংগনি হায়না দ্রগ রিহেবিলিটেসন সেন্টর য়ুনিয়ন মণিপুর–প্রাইভেট (দি আর য়ু এম–পি) গী কনভেনর কেশ্বর্জিৎ অথোকপমনা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়, দি আর য়ু এম–পি অসি মণিপুরদা লৈবা প্রাইভেট রেহেবিলিটেসন ২৪ না শেম্বনি। লোয়ননা অহানবা ওইনা ওক্টোবর ১৪ দগী জনুৱারী ১১ ফাওবা নুমিৎ ৯০ গী ওইবা লমদম অসিগী ময়াই কাবা চিঙ্গাক্তা লায়চুরবা কনা লৈজদ্রবা লায়রবা অনাবশিং লেন্না লায়েংগদৌরি। মসিনা মখোয়বু তংদু লৈতাবা পুন্সি অমদা হল্লকপদা অচৌবা মতেং অমা পাঙগনি।

হায়রিবা লেন্না লায়েংবগী থৌরম অসিদা অনাব ৫০ তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা রিহেবিলিটেসন সেন্টর ২৪ দা লায়েংগনি। মশাদা চঙবা হিদাক–লাংথক্ক চিংবা পূন্নমক দি আর য়ু এম–পিনা লেন্না পীগনি। লোয়ননা অকূপ্পা মরোলগীদমক দ্যুলালেন্দদা লৈবা দি আর য়ু এম–পিগী ওফিস নৎত্রগা মোবাইল নম্বর ৭০০৫৯৮১৫৩২, ৭০০৫৬১৭৪৪১, ৯৩৮৩২৩৮৮৫৬ তা হংবীরক্লবা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখ্রে।

# প্রাবিয়া ইম্পোরিয়মগী পেপর বেগ লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল,ওক্টোবর ০৩ (এসএন এস)ঃ প্রাবিয়া ইম্পোরিয়ম শিংজমৈনা ইকো ফ্রেন্দলি ওইবা মখলগী চো শাবা পেপর বেগ ঙসি শিংজমৈ চিংঙ্গমথক্তা লৈবা প্রাবিয়া ইম্পোরিয়মগী সো রুমদা লোঞ্চ তৌখ্রে।

পেপর বেগ লোঞ্চ তৌবগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা প্রবিয়া ইম্পোরিয়মগী শিংজমৈগী প্রোপাইটর উরিৎখিনবম ওংবী প্রাবিয়ানা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরদা পোলিথিন শিজিন্নবনা পোলুসন কয়া থোকহনবদগী মীয়ামদা খুদোংচাদবা মায়োক্লরিবা অসি খরদা ওইরবসু কোকহনবা ঙম্নবগী ৱাখল্লোন্দা পেপর বেগ অসি পুথোকপনি। ঙসি পুথোক্লিবা পেপর বেগ অসি য়াম্না হাজনিক ওইবদা নত্তনা পোলুসনগী চাংসু য়াম্না হহহল্লগনি হায়রি।

# ক্রোর ৭ রোমগী দ্রগ ফারে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৩(এস এন এস)ঃ ঙরাং নুমিদাং পুং ৭ রোম তাবা অদুৱাইদা অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী মোরে লম্বীগী খুদেংথাবীদা লৈবা চেক পোষ্টতা ১২শুবা আসাম রাইফলসনা ফ্রিস্কিং চেক্কিং চখবদা মোরেরোমদগী থোক্লকপা অঙৌবা মচুগী ইকো ভেন অমা চেক তৌবদা দব্লিউ ৱাই টেব্লেট ২০,০০০ অমসুং ব্রাউন শুগর কে জি ৩.৩০০ য়াওরম্বদগী গারী অদুদা তোং লকখিবা মীওই অমগা কোন্ননা ফারে।

দব্লিউৱাই টেব্লেট অদুনা তিলহৌ বোরা মনুংদা অদুগা ব্রাউন শুগর অদুনা ব্লাঙ্কেট মনুংদা লোৎলগা পুরকপনি। দ্রগশিং অদুবু পুরকপনি হায়বা গারী অদুদা তোং লকপদগী ফারবা মীওই অদুগী মমিং পাওমিনলে হাওকিপ (২৯) অপোকপা ওথখোমাং হাওকিপ কৌই, সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী এস লাংনোম ভিল্লেজদগীনি। মীওই অসিদগী ফারবা দ্রগ অদু মালেমগী কৈথেলদা লুপা ক্রোর ৬.৬০ রোমগী মমল ওইগনি হায়রি। ফারবা দ্রগ অদুগা কোন্ননা মীওই অসি মোরে পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে হায়রি।

# নোংমগী ওইবা ৱার্কসোপ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল,ওক্টোবর ০৩ (এসএন এস)ঃ আর্থ দে নেটৱার্ক (এন দি এন( ইন্দিয়া, নোর্থ ইষ্ট দাইওসেসন সোসিয়েল সার্ভিস সোসাইটি গুৱাহাটি অমসুং দাইওসেসন সোসিয়েল সার্ভিস সোসাইটি ( দি এস এস এস) ইম্ফালনা পূন্না শীন্দুনা 'প্রোটেক্স ওভর স্পিসিস ঃ রোল ওফ সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন হায়বা হিরম অসিদা নোংমগী ওইবা খন্ননৈবগী ৱার্কসোপ অমা ঙসি ইম্ফালগী মন্ত্রি পুখ্রিদা লৈবা দাইওসেসন সোসিয়েল সার্ভিস সোসাইটি (দি এস এস এস) তা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা লোক সভাগী এম পি ডা. আর কে রঞ্জননা ফোঙদোকখিবদা, ঐখোয়গী ওইবা স্পেসিস কনজবা হবায়বসি য়াম্না মরু ওইবা ইসু অমা ওইরক্লি। মসি ঐখোয় খুদিংমক্না হিরম অসিগী মতাংদা তরেৎ তরা থোক্না খন্নবগী তঙাইফদবা অমা লাক্লি। অৱাং নোংপোক লমদম অসি মালেমগী ওইনা স্পেসিসতা খ্বাইদগী ইনাক খুনবা মফমনি। অতোপ্পা লৈবাক্তা ফঙদবা অতাংবা মখলগী স্পেসিস কয়া ফঙবা লমদম্নি। অসিগুম্বা অতাংবা মখলগী স্পেসিস কয়া ফঙলিবা অসিগীদমক ঐখোয় চাউথোকচগদবনি হায়খি।

# ওম প্রকাস চেঙ...

*লমায় ১গী মখা* ...মরাল লৈরে অমসুং এক্যাইজ ৬ অমদি মরাল লৈরমদ্রে হায়না লাওথোকখিবনি।

অমরোমদা মরাল লৈরমদ্রবা এক্যাইজশিং অদুদি, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী নম্বীশা ভিল্লেজদা লৈবা লৈখিদ্রবা লাসোলুংগী মচানুপা এফ সি এস দি মণিপুরগী গোদাউন সুপরিন্টেন্দেন্ট ওইরম্বা রাসুংনাও বেঞ্জামিন, খুরাই থাংজম লৈকাইদা লৈবা ইবোতোম্বীগী মচানুপা ষ্টোর কিপ্পর ওইরম্বা সি ঐচ প্রিয়োবর্ত্ত, মীনুথোং হট্টা গোলপতিদগী মনিরুদ্দিনগী মচানুপা অব্দুলাহ চাওবা, অমসুং ঙাংবম চুথেক্তগী ইবোয়াইমগী মচানুপা ষ্টোর কিপ্পর ওইরম্বা বি বীরজিৎ শর্মানি।

# অঙ্গলৱাদি সেন্টরশিংগী থবক তৌরিব্রা হায়বা...

*লমায় ১গী মখা*... সেন্টরশিংনা তৌরিবা থবকথৌরম খুদিংমকঅথুবা মতমদা মোবাইল ফোনগী মতেংনা মালেমগী মফম অমদগী হেক্ত উহনগনি হায়খি।

মখা তানা করিগুম্বা অঙ্গলৱাদি ৱার্কর / হেল্পরশিংনা মখোয়গী তৌগদবা থবক অদু তৌদবা মতমদা করি এক্সন লৌখৎকদগে হায়না পাউচে অসিনা মখা তানা হংবদা দাইরেক্তর উত্তমনা হায়, করিগুম্বা সেন্টর অমদা লৈরিবা ৱার্কর / হেল্পরশিংনা তৌগদবা মথৌ অদু তৌদে হায়বগী চপ চাবা প্রমান লৈরগদি মীওই অদু সস্পেন্দ তৌবা ফাওবা য়াই। লোয়ননা মীয়ামদা ফংহনগদবা পোৎ অদু পীরমদবা তারগনা মখোয়গী থাগী ফংফম থোকপা তলবতগী কক্কনি হায়খি।

অমরোমদা, মীরোলবী নুপীশিংদা পীবা সোসিয়েল ৱেফেয়ার দিপার্টমেন্টগী করম্বা স্কিম লৈবগে হায়না হংবা ৱাহং অমদা দাইরেক্তরনা হায়, অঙ্গলৱাদি সেন্টরশিংগী অকোয়বদা লৈরিবা অহানবা অঙাং উন্নগদবা নুপীশিংনা হান্না ইন্দিরা গান্ধী মট্রিভা সাহয়োগ যোজনা (আই জি এম এস ৱাই) হায়না খঙনরম্বা হৌজিক্ন প্রধান মন্ত্রি মটুভান্দানা যোজনা (বি এম এম ভি ৱাই) হায়বা মীরোলবীশিংনা লুপা লিশীং ৫ ফাওবা ফংবা য়াবা স্কিম অমা লৈ। হায়রিবা স্কিম অসি মীয়াম্না খঙবগী চাংয়াম্না ৱাৎলি। স্কিম অসি ইমপ্লিমেন্ট তৌবগী থবক অসিনা অঙ্গলৱাদি সেন্টরশিংগী ৱার্কর / হেল্পরশিংনা ওইগনি হায়খি।

# অমিক্কী থৌমীশিংনা খোঙজং চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল,ওক্টোবর ০৩ (এসএন এস)ঃ নেফিপকী লমজিং মখাদা ঙসিদগী হৌদুনা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট খুদিংদা সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিবু শৌগৎলদুনা ঙসি য়াইস্কুলগী হিচম য়াইচম পাৎ মমাঙ্গা হ্যুমেন চেন শেমদুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

খোঙজং অদুদা অৱাং নোংপোক লমদমদা সি এ বি চৎনবা য়ারোই হায়বা খোল্লাও কয়াসু লাওখি।

খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা অম্মিক্কী জেনরেল সেক্রেটরী এম ধনঞ্জোয়না হায়, অৱাং নোংপোক লমদমশিংদা খুন্দারিবা য়েলহৌমী খুদিংমক্না এন ই এফ আই পি গী লমজিং মখাদা লমদম অসিদসু মেনপেক্না লুচিংদুনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদা অম্মিকসু থৱাই হকচাং য়াওনা শরুক য়াগনি। অৱাং নোংপোক্কী মীশিং য়ামদ্রবা ফুরুপশিংদা য়াম্না কিনিঙাই অমদি খুদোংথিনিঙাই ওইরবা বিল অসি চৎহন্নবা হোৎনগদবনি হায়দুনা সেন্টরদা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা ইতৎ তৎতনা ফোঙদোকপা অসিদা আর্টিষ্টশিংগী থম্মোয়দসু হায়নিংঙাই লৈতনা নুঙাইতবা ফাওই। মরম অসিনা খোঙজং অসিদা আম্মিক্না লমদম অসিগী মীয়ামগী য়াইফনবা অমদি ফুরুপ অসিবু কন্নবা হোৎনবদা অঙ্গম্বা থৌদাং লৌগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# দিল্লিদগী হুরানখিবা রোয়েল ইনফিল্ড ১৩ গুৱাহাটিদা ...

*লমায় ১গী মখা*... খাবনা হায়দোরকখি। রেলৱে পুলিস ফোর্সনা মখোয় অনীবু গভর্ণমেন্ট রেলৱে পুলিসতা খূৎশিন্নরবা মতুংদা কেস অমা রেজিষ্টার তৌখ্রে।

হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২৮ দসু রেলৱে পুলিস ফোর্সনা মণিপুরগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতগী ৱহিদুর রহমন, ৱারিশ খান অমদি মমতাজুর রহমন কৌবা মীওই অহুম দিল্লিদগী থারকপা রোয়েল ইনফিল্ড অমা রেলৱেগী পার্সেল ওফিসতগী লৌথোক্লিঙৈদা ফাখি। মখোয়বু ৱাহং পাউহং চখবদা দিল্লিদা লৈবা ৱরিশ খানগী ময়াম্বা সুরজ খাননা দিল্লিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী হুরাল্লকপা রোয়েল ইনফিল্ডশিং শাজিন্নবা চে–চাং শীজিন্নরগা কোরিয়রগী খূখাংদা মনাওনুপানা য়োম্থোকহন্নবগীদমক্তা থারকপনি হায়না হায়দোক্লকখি। মখা তানা থিজিনবদা মোটোর সাইকল অদুগী মপু অদু দিল্লিদগীনি হায়বসু খঙবা ঙম্লে। মখোয় অহুমগী মথক্তা গভর্ণমেন্ট রেলৱে পুলিসনা কেস অমা রেজিষ্টার তৌখ্রে।

অসুন্না কেস অনী অসিগী মরমদা মথং মথং থিজিল্লকপগী পরিংদা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা রেলৱে পার্সেল ওফিসতা রেদ চখবদা হুরাল্লকপা রোয়েল ইনফিল্ড ১৩ অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি।

অদুগা ৱাফম অমনা গুৱাহাটি রেলৱে ষ্টেসন অসি হুরাল্লকপা পেৎ–চৈপুরিবসি নাকল্ল অমখক্তগী নত্তে হায়বসু খঙলে। হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ষ্টেসন অসিগী প্লেটফোর্ম নম্বর ২ দগী ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মালদদাদগী অব্দুস সত্তর অমদি শাহাবুদ্দিন কৌবা মীওই অনীদগী মোবাইল সেদ ৬৯ ফাগৎপা ঙমখি। মখোয়বু ৱাহং পাউহং চখবদা মোবাইল সেদশিং অদু নাগাওদগী হুরাল্লকপনি হায়বা খঙবা ঙমখি।

# বীর টিকেন্দ্রজিৎ পার্ক মহৈরোই কয়াগী য়াকাবুঙ ...

*লমায় ১গী মখা*... চাবা থকপা তৌরিবা অসি তৌহন্দনবা থবক লৌখৎহন্নিংই হায়খি।

করিগুম্বা মতমদা জোনষ্টোন স্কুলগী ষ্টাফশিং থোরক্তুনা মখোয়গী স্কুলগী মহৈরোইশিং তানশিনবসু মীয়াম্না উই। ষ্টাফশিংনা ফন হোৎনরবসু মহৈরোইশিং অদু মথংগী নুমিত্তা অদুমক লাকই হায়খি।

করিগুম্বা মতমদা মহৈরোই নুপীমচা নুপামচা মচি মরুমদা মী উরোইদবা মফম য়েংলগা ছাটিন খঞ্জিন্দুনা করি তৌরিবনো খঙদনা কুইনা ফম্মিন্নবা ফাওবা য়াওরি। মরম অসিনা পার্ক অসি পান্নরিবা মরী লৈনবশিংনা কুপ্পা য়েংশিনহন্নিংই।

পার্ক অসি মীয়ামগী পোখাফমনি হায়রবসু মহৈরোইশিং চংবা অসি ছুটি নুমিৎকুম্বদা নত্তনা স্কুল চৎপা ক্লাস তৌবা মতমদদি মরী লৈনবশিংনা মহৈরোইশিং চঙবদা অথিংবা থমহন্নিংই হায়না ফোঙদোরকখি। চঙলকপা তারবসু সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিং থল্লগা চুরুট, তলব, খৈনিনচিংবা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং অমসুং ময়াই কাবা চিঙ্গাকশিং পুশিনলকপদা চেক তৌরগা লৌথোকহন্নিংই হায়খি।

অমরোমদা পার্ক অসি মপু পান্দবগী মমি চাউনা তারে হায়রি। পার্ক অসি লমদম অসিগী মীয়ামগী পোখাফম ওইবতা নত্তনা মপান লমগী লমকোয়বা কয়াসু লাক্তুনা য়েংলিবনি। অদুবু পার্ক অসি ময়ামগী অমোৎ অকায় লংশিনফম ওইরে।

পার্ক অসিগী মখা থংবা শরুক্তা অমোৎ অকায় কয়া পৈশিন্দুনা থল্লি। অমোৎ অকায়শিং লৌথোক্তবগী মথক্তা মনাক নকপদা দুকান তৌরিবা মীওই কয়াগী অমোৎ অকায় লংশিনফমসু ওইরি।

পার্ক অদুদা দষ্টবিন থমদুনা মোৎশিহন্দনবা মরী লৈনবা পার্ক অসিবু য়েংশিনবগী থবক তৌরিবা প্লানিং এন্দ দিভলপমেন্ট ওঠোরিতিনা দষ্টবিন কয়া থমদুনা হোৎনরি। অমরোমদা পার্ক অসিগী মখা থংবা শরুক অসিদনা দষ্টবিনশিং অদুদা হাপ্লকপা অমোৎ অকায়শিং খোমদোক্লগা হুন্দোকপগী মহুত্তা মফম অদুদা ওইনা পুশিল্লগা পুল্লপ হৈদোক্লম্বা থেংনরকখি।

হৌজিক লৈঙাক্না সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিক শিজিন্নদবগী খোঙজং অমা চঙশিনলক্লিবা অসি য়েংলগা পার্ক অসি য়াম্নসুকা হেন্না চাউবা নত্তবা লোয়ননা মালেমগী লমকোয়বশিং য়াওনা মীয়ামগী পোখাফম মফম অমা ওইবনা প্লাষ্টিক ফ্রি জোন ফাওবা লাওথোক্লগা য়াম্না তরু তানান্না থম্বা য়াবা মফম অমা ওইরিবনি হায়না মফম অদুদা লৈরম্বা এস ব্রজবিহারি কৌবা অহল অমনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখি।

মরম অসিনা পার্ক অসিদা অমোৎ অকায়শিং চায়খায়বা অসি শিৎ শেংবা, নাপী শোংজিনলক্লিবা অসি কোকথোক্তুনা তরু তানান্না থল্লবদি শোয়দনা মণিপুরগী মীয়াম্না পি দি এ দিপার্টমেন্টকী মকোকথোংবশিংবু থাগৎনগনি হায়খি।

# ক্লাইমেট এক্টিভিষ্ট লিসিপ্রিয়াদা *রাইজিং ষ্টার*...

*লমায় ১গী মখা*... দে ওফ নন–ভাইওলেন্স পাল্লগা মরী লৈননা পীরকখিবনি।

'নহাক্না তৌরিবা থবকশিং অদুনা খুদম ওইনা তাক্লে মদুদি মালেমসিদা অহোংবা খরদি পুরকপা ঙম্লে। মসি থৱাম্নীচাক্কুম নহাক্না মঙাল অমা মালেমগী মীয়ামদা পীরে, নহাশিংদা খক্তা নত্তনা অহলশিংদসু' হায়না ৱাশিংটন দি সি, য়ু এস এদগী আর্থ দে নেটৱার্ক হেদক্কার্টরনা লিসিপ্রিয়াদা থারকপা চিঠি অদুদা পল্লি।

চিঠি অদুনা মখা তানা হায়, আর্থ দে নেটৱার্কনা নহাক্না পূন্না থবক তৌমীন্নদুনা মালেমগী অপূম্বগী লন অমা ওইরিবা মালেম পৃথিবী অসিদা কান্ননবা হোৎননিংই। অমুক্কা হন্না থাগৎচরি নহাকপু অমসুং হন্না হন্না থাগৎপা ফোঙদোকচরি। নহাক্না কখোকপগা লোয়ননা মালেমগী মীয়াম্বু কন্নবগীদমক তৌরিবা অফবা থবকশিং অদুবু অসুক্কী মতীক অপেনবা অমদি থাগৎপা ফাওই।

লিসিপ্রিয়ানা হায়, মালেমগী ইকায়খুন্নবা অসি ফংবদা ঐ য়ান্না হরাওই। ঙসি ঐগীসু ইপোক নুমিৎনি। ঐ ঙসি চহী ৮ ফারে। মসি ঐগীদমক্তি ইপোক নুমিৎকী চাউরবা অঙকপা খুদোল অমনি। ঐনা তৌজরিবা অপীকপা থবক খরা অসিগী পেনবীবা ফাওবিবসি তাবদা য়ান্না নুংঙাই।

ঐনা হোল্লিৱূদকী ফাওরবা এক্টর লিওনাদো দি কাপ্রিও, বোল্লিৱূদ এক্টর অনিল কাপূর, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী হান্নগী সেক্রেটরী ওফ ষ্টেট জোন কেরি অমদি ঐবু নোমিনেট তৌবীরকখিবা আর্থ দে নেটৱার্ককী গ্লোবেল এদভাইজরশিং অমদি ষ্টাফশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকচরি। মসি ঐনা মালেমগী ক্লাইমেট চেঞ্জ এক্টিভিষ্ট মরুপশিংদা কখোকচরি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

পনবা য়াই, আর্থ দে নেটৱার্কনা অসিগুম্বা মনা অসি য়ান্না তাংনা পী অমদি লিসিপ্রিয়ানা অসিগুম্বা মিংথোল অমা ফংবসু অহানবনি। লিসিপ্রিয়া কুমজা ২০১৮ দগী হৌনা ইন্দিয়া অমদি মালেমদা মালেমগী অঙৈং–অশাগী খল ঙাক্লবা আইন অমা শেন্নবা দাবী তৌদুনা লাকখিবনি।

আর্থ দে নেটৱার্ক অসি মালেমগী খ্বায়দগী চাউবা ইনভাইরোনমেন্টকী মখল মখা কয়াগী লৌশিং অমদি ইশু কয়াবু মঙাল পীরিবা ওর্গনাইজেসন অমনি। চহী খুদিংগী মালেমগী মীয়াম্না অমদি য়ুনাইটেদ নেসন্সনা 'আর্থ দে' হায়না এপ্রিল ২২ বু পাল্লন তৌনৈ। কুমজা ১৯৭০ গী নুমিৎ অসিদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা খোঙজং অসি হৌদোকখি। হৌজিক মালেমগী লৈবাক ১৯৩ দা মহাকপুসু ফীভম কন্নবা অকনবা থবক কয়া পায়খৎলি।

হন্দক্তসু লিসিপ্রিয়াবু য়ুনাইটেদ নেসন্স হেদক্কার্টরনা য়ু এন জেনরেল এসেমব্লি ২০১৯ দা মালেমগী শক্তি লৈবা ক্লাইমেট এক্টিভিষ্ট তরেৎ খনগৎপদা খ্বায়দগী নৌরিবা অঙাং ওইনা য়াওদুনা উৎখিবনি। মখোয় তরেৎকী মনুংদা স্বুইদেন ফাওরবা ক্লাইমেট এক্টিভিষ্ট গ্রেটাসু অমনি। লিসিপ্রিয়া হৌজিক ইন্টর্নেস্নেল য়ুঠ কম্মিটিদা চাইল্ড ক্লাইমেট এম্বেসেদর ওইরি।

# মণিপুরগী তম্পাক্তা মীয়ামগী অচৌবা ঈহৌ ...

*লমায় ১গী মখা*...

অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা শিনবা থুংনা সি এ বি চৎনহনবা য়ারোই হায়বা ৱারেপ অদু থবক্তা ওম্থোক্লদুনা মেনপেককী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর শিনবা থুংনা খোঙজং চঙশিনবনি হায়খি।

মহাক্না হায়, করিগুম্বা মীয়াম্না লাওরিবা খোল্লাউ অসি তাবিদদুনা সেন্ত্রেল লৈঙাক্না সি এ বি অসি চৎহনবা তারবদি অৱাং নোংপোক্কী মীয়ামনা ঐখোয়গী ওইবা তুংলমচৎ অমগীদমক ফিরেপ লৌজগনি। অসিগুম্বা ফিরেপ অসি লৌরক্ত্রিঙৈদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না মশানা খঙনা বিল অসি চৎনহল্লোইদবনি।

মণিপুর শিনবা থুংনা মহৈরোইশিং য়াওনা মহৈলোয়শঙশিংগী মমাঙদা, কৈথেলদা অমসুং লৈকাই লৈকাইদা সি এ বিগী মায়োক্তা চংশিল্লিবা খোঙজং অসিগী পাউজেল অসি মীয়ামদা খঙহন্নবা অয়ুক পুং ১১ দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা কাঙশি খিঙদুনা খোঙজং চঙশিনবনি।

খোঙজং অসি ঙসি হৌরিবা অসিদগী লেপ্তুনা চখবা হৌরগনি। মখা তবা খোঙজং মতম মতমগী ওইনা মেনপেকনা লাওথোরক্কনি। অৱাং নোংপোক শিনবা থুংনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদা মণিপুরগী ওইনা মেনপেকনা শীন্দুনা চঙশিনবনি। খোঙজং অসি সেন্ত্রেল লৈঙাক্না তাবিদবা তারবদি মসিদগী হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিল্লক্কনি হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা মেনপেকনা সেক্রেটরী টু চীফ মিনিষ্টরগী খুত্থাংদা চীফ মিনিষ্টর এ বিরেনদা মেমোরেন্দম অমা পীশিন্দুনা সিটিজেনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল চৎনহনবীদনবা ৱাফম য়াওবা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুদা হৌখিবা ওগষ্ট ৯ দা প্রাইম মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা চেরোল অমা রিফরেন্স পীরদুনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা লৈরিবা য়েলহৌমীশিংগী মথক্তা মখা তানা অথৌবা থাঙপাক য়ান্দুনা থম্বগী মওংদা থল্লিবা ইশু অসি লোইশিন্নবা হোৎনবীয়ু হায়না হায়জখিবা লৈখ্রে হায়না পল্লি।

লমদম অসিগী মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইনা অসিগুম্বা অসি অমুক হন্না মখা চখবীরক্লোই হায়বগী থাজবা থল্লি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইশু অসি ৱারোইশিন পুরকপদা লমদম অসিগী মীয়ামগী অপাম্বা অসি থবক ওইনা ওম্থোকপীরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না পল্লি।

ইশু অসিদা লমদম অসিদা লেপ্তুনা ভাইওলেন্সকী থৌদোক ৱাথোকশিং চখদুনা লাক্লি। লমদম অসিগী অচংবা সিতিজেন অমা ওইনা মখা তানা লমদম অসিদা ইরাং অমুক হন্না থোকহনবা পামদে। মরম অসিনা মরী লৈনবা থবকশিং লৌ–খৎপদা মহাক্ন অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা ইশু অসিদা মীয়াম অমসুং মীয়ামগী মীহুৎশিংগী মরক্তা তোখায় তোখায়না চৎনদনবা হোৎনবীয়ু হায়না পনলি।

ঙসি খোঙজং চঙশিনখিবা অদুদা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা পোৎ য়োল্লিবী নুপীশিংনা পুঙৌ ফনেক শেত্তুনা পুং অমা শিচ্ছা লেপ্পগা বীর টিকেন্দ্রজিৎ ফ্লাই ওভরগী নাক য়েত্তা হ্যুমেন চেইন শেমদুনা খোঙজং চঙশিনখি।

খোঙজং অদুদা মীয়াম্না মণিপুরদা সি এ বি চৎনহনবা য়ারোই, লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিং কনগদবনি হায়বনচিংবা খোল্লাউশিং লাওখি।

ঙসিগী খোঙজং চঙশিনখিবশিংগী মনুংদা পিটম্বরা ইংলিশ স্কুল, রিগুলার ইংলিশ স্কুল, ইম্ফাল কোলেজ, মণিপুর রুরেল ইন্সটিট্যুট, লিটল ফ্লৱার স্কুল, সেন্ট জোসেফ হয়ার সেকেন্দরি স্কুল য়াওনা তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংগী মহৈরোইশিংনা হ্যুমেন চেইন শেমদুনা খোঙজং চঙশিনখি। সঙাইপ্রৌ কবুই ভিলেজ, নুপী ৱিভর ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসন, তেরা লুক্রাম লৈরক পার্ট থ্রি মৈরা পায়বীশিংনসু ৱাকৎ মীফম চখখি।

ঙসিগী খোঙজং অদুদা খুরাই টিন্সিদ রোদ, খুরাই লম্লোং কৈথেল, পুরৈরোম্বা কৈথেল কোনুং মমাঙ, ৱাঙ্গোই কৈথেল, ময়াংইম্ফাল, ওইনাম কৈথেল, কৈনৌ, শিংজমৈ, লিলোং, খোঙমন মঙজিল, শিংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকাই, মালোম, য়াইরিপোক, মোইরাং, শামুরৌ, থাংমৈবন্দ তরুক কবুই ভিলেজ, কৈশামথোং কবুই খুল, মেজোর খুল, রামজি খুল, কাখুলোং, রগাইলোং, নিংথৌখোঙ, কুম্বী, ওরিয়েন্টেল কলেজগা লোয়ননা লৈকাইগী ক্লব অমসুং মৈরা পায়বীশিংনা হ্যুমেন চেইন শেমদুনা প্রোটেষ্ট তৌখি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ননা শীন্দুনা এম য়ু মমাঙদা মহৈরোইশিংনা হ্যুমেন চেইন শেমদুনা খোল্লাউশিং লাওখি।

থৌবালদসু খোঙজং অসিবু শৌগৎলদুনা ক্ষেত্রি লৈকই ৱুমেন দিভ্লপমেন্ট ওর্গনাইজেসন অমদি সেকদো ক্লব থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকাইনা সেকদো ক্লব মমাঙদা, নিঙোল ক্লব হৈরোক্না হৈরোক পার্ট টু কৈথেল অমদি হৈরোক্কী মফম কয়াদা লৈরিবা স্কুলশিংগা খূৎশম্নরগা হ্যুমেন চেইন শেমখি।

ৱাংজিংগী অকোয়বদা লৈরিবা স্কুলশিংগী মহৈরোইশিংগা দেসামগী থৌমীশিংগা খূৎশম্নরগা ৱাংজিংদা খোঙজং চঙশিনখি।

জিরিবামদসু লমদম অদুগী মীয়াম্না সি এ বিগী মায়োক্তা জিরিবামগী সি এস ওশিং অমসুং মৈরা পায়বীশিং য়াওনা ৱাকৎ মীফম পাঙথোক্তুনা খোঙজং চঙশিনখি। খোঙজং অদুগী মতাংদা মেনপেক জিরিগী কনভেনর ৱাই রোমেননা হায়, অৱাং নোংপোক ষ্টেট তরেৎতা সি এ বিগী মায়োক্তা খোঙজং চংশিল্লকপা অসিগী শরুক অমা ওইনা লমদম অসিদসু খোঙজং চঙশিনবনি। ইশু অসিগী মতাংদা মীয়ামগী দিমান্দ অসি ফংদ্রিবা ফাওবা খোঙজং চঙশিনখিগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। লোয়ননা মখা তাবা খোঙজংশিংদা শৌগৎকনি হায়না ফোঙদোকখি।

# রিমসকী ই সি জি লৌফমদা টেক্নিসিয়াননা ...

*লমায় ১গী মখা* ... ঙসি অয়ুক্কী পুং ৫.৪০ রোম তাবা মতমদা নুপীমচা অসি মখোঙ হাম্নিংই হায়রকপদগী লেত্রিনদা পুশিন্দুনা মখোঙ হামহনবদা মপান থোকপদা য়াম্না শারে হায়রকখি হায়রি। মদুদা চিংনবদগী ই সি জি লৌবা চৎপদা করি করি তৌরকই হায়না মমানা হংবদা মহাক্কী মখোঙ অনিমক ই সি জি লৌবগী হিপ্লিবা ফমুংদুদগী য়াম্বদুনা হিফহল্লগা করিগুম্বা পোৎশক অমা মপান থোকফমদা ইনশিল্লকখি হায়না মচানুপীনা পাউ–খুম পীরকখি। মতমদুদা মহাক্না মচানুপীবু ই সি জি লৌবগী মিংদা নমথাক তৌরগা ফম্লানবীখ্রে হায়বসি খঙলকপনি।

নুপীমচা অদুনা ত্লকখিবা ৱাফমশিং অদু তাবদগী নুপীমচা অসিগী মপানা ঙসি অয়ুক লম্ফেল পুলিসতা কমপ্লেন অমা তৌবদগী সুরজবু ফারগা মেদিকেল একজামিনেসন তৌরবা মতুং কষ্টদিদা থমখ্রে। নুপীমচা অদুসু মেদিকেল একজামিনেসন তৌরবা মতুং রিমস হোস্পিটালদা মখা তবা লায়েং চখরি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মরী লৈননা নুপীমচা অসিগী অপোকপিনা কপ্ল–কপ্লদুনা পাউমীশিংদা, নাবদগী লায়েংনবা পুখৎলক্লিবী করিশু খঙজদ্রিবী নুপীমচা অসিদা শারমচৎকী মওংদা চখখিবা থৌওং অসি য়াম্না পেন্দে। অসিগুম্বা থৌওং অসি অমুক হন্না থোক্তনবা চেন্নরিবা মীওই অসি শিবগী চৈরাক পীবিয়ু হায়না ফোঙদোকখি।